HUEIYEN LANPAO
The messenger of the masses
# হুইয়েন লানপাও



পাঙথোক্কদৌরিবা ১২শুবা মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনদা পাৎশোই এ সীদা বি জে পিগী ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট ওইরিবা সাপম কেবনা হাওস কেম্প্যেন হৌদোকখিবা

রেট ফিক্সেসন অমদি মোদেল কোদ ওফ কন্দক্তকী মতাংদা মীফম পাঙথোকখ্রে
☛ লামায় ২

তেলিপটিদা লৈবা নন লোকল অমগী গোদাউনদা বোম পোকখায়হল্লক্লে
☛ লামায় ৩

‘পেমা নঙসু ঐসু পুমশিংগী থৌদৌ তাগদৌরিব্রা’
☛ লামায় ৫

এম এল এ ইন্দ্রজিৎনা নোংমত্তদা কম্যুনিটি হোল ৪ শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে
☛ লামায় ৬

ৱার্ক্স মিনিষ্টর থোঙাম বিশ্বাজিৎকী লমজিং মখাদা কোংবদা নৌনা শাবা শেমগৎমিন্নসি অপূনবা নুপী লূপকী শঙলেন শঙ্গাবগী থৌরমদা মৈরা চুখৎখিবা



Vol. 45, Issue No. 274 | শগোলশেন, পোইনুগী ২৬নি পানবা | অপূনবা লামায় মশীং ১০ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, December 30, 2021, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50

## *নুমিদাং পুং ৯দগী অয়ুক পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ুগী অথিংবা লৈরগনি*

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস): মীওই অমদগী অমদা শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংহল্লিবা কোভিদ-১৯গী অনৌবা ভেরিএন্ট ওমিক্রোনগী কেসশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইরদুনা মসিদগী লাকশিন্নবগীদমক ঙসি ষ্টেট দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট ওথোরিটিগী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ কম্মিটিগী চ্যেরপর্সন ডা. রাজেস কুমারনা থোকখিবা ওর্দর অমগী মতুংইন্না নুমিদাং পুং ৯দগী অয়ুক পুং ৪ ...মখা লামায় ৩ কলম ৪

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩ দা

**ঈং-অশাগী পাউ**

খ্বাইদগী শাবা ২৫.০৭°C
খ্বাইদগী ঈংবা ০৬.৫৯°C
মণিপুরগী নোংজুগী চাং : নিল
নুমিৎ থোকপা : অয়ুক পুং ৫.৫৮
নুমিৎ তাবা : নুংথিল পুং ৪.৩৫

**HL Poll**

Q: Narendra Modigi khongchat ki mangoinana law and order kaihangadaba thoudoksing thoktanaba hotnaba chumloidra?

POLL CLOSES AT MIDNIGHT
Yes ☐ No ☐

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da Visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

Q: Intending candidate singgi maraktagi electionda mai paknabagidamak aranba pambeising sijinnagani thajabra?
Yes 100% No 0%

**অস! লোইরেহে!**


- ঈংবসে সুম সুম ঈংশিল্লক্লে, ইন্টেন্দিংনা ঈংদনবা খরা শিল্লকউ।



- হোৎনজরক্লগে! নহানমখৈদি হায়দেদো।

## হৈরোককী ইলেক্টোরেল রোলগী মতাংদা হায় কোর্টকী ওর্দর

# ফাইনেল রোল ফোঙদ্রিঙৈদা চুমথোক্লবা ঈ সী আই ১সুং থৌবালগী ঈ আর ওদা খঙহনখ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৮ (ঐচএন এস) : মথং চহী ২০২২গী মার্চ ১৯ ফাওবগী মমাঙদা শোয়দনা পাঙথোক্লগদবা মণিপুরগী ১২শুবা ষ্টেট এসেমব্লি মীখলগী মাঙওইননা তঙাইফদনা পাঙথোকফম থোকপদগী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর (সী ঈ ও), মণিপুরগী মায়কৈদগী পাঙথোকখিবা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী থবক্তা ৩৩-হৈরোক এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী ওইনদি চহী শুদ্রিবা অঙাং কয়া, ময়ূম পানখ্রবী নুপীশিং অমসুং লৈখিদ্রবা/লৈখিদ্রবী কয়া লান্না হাপচিল্লন্সব্দা নত্তনা মশাগী হাপফম থোকপা মীওইশিংবুনা হাপত্রে হায়দুনা থা অসিগী ২৩দা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনখ্রবা মতুংদা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ৱাথোক অসিগী মতাংদা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন অমা কোর্ট অসিনা খন্নরবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া অমসুং থৌবালগী ঈ আর ওদা মণিপুরগী ওইনা ইলেক্টোরেল রোল রিভিজনগী ফাইনেল পব্লিকেসন জন্যুৱারী ৫, ২০২২দা ফোঙদ্রিঙৈগী মমাঙদা রি-ভেরিফাই তৌনবা দিরেক্সন পীখ্রে।

থা অসিগী ২৩দা ঈ সী আইদা হৈরোক পার্ট-১ হৈতুপপোকপীদগী মোইরাংথেম রাজমোহোন অপোকপা লৈখিদ্রবা এম মনি কৌবা মীওই অমনা পূন্না লমায় ৩০৩ পানবা ৱাকৎ চেরোল অমা পীশিনখ্রবা মতুং ঙরাংমক হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা রিট পিটিসন (সিভিল) অদুগী নম্বর ৯৯৩ ওফ ২০২১নি।

কেস অসিগী অপূনবা পিটিস্নর ২০গী মনুংদা পিটিস্নর নম্বর ৮, ৯, ১১, ১৫ অমসুং ১৬ নত্তবা অতৈনা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী বুঠ লেভেল এজেন্ট (বি এল এ) শিংনি অদুগা বি এল এশিং নত্তবা পিটিস্নর মঙা অসিনা পাঙথোকখ্রিবা ইলেক্টোরেল ...মখা লামায় ৩ কলম ২

**LOAN AVAILABLE**

**VEHICLE LOAN**
**SERVICE LOAN**
**PENSION LOAN**



- Minimum Down Payment
- No Guarantor required
- One Day Delivery

Area Coverage:
* Imphal East
* Imphal West
* Bishnupur

Pliz contact :-
IMPHAL FINANCE CO-OP. THRIFT AND CREDIT SOCIETY LTD.
H.O.: Loklaobung
B.O.: MG Avenue, Paona Bazar & Bishnupur Bazar

HL-B/7348/11 Dec. to 11 Jan.

# ঐখোয়দি ইশাগী লৈঙাকপু ফৈ হায়বা ইকায়জে, লৈঙাকসিবু লুচিংলিবসিদি ইকায়বা লৈতে : ও ইবোবী

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) : ঐখোয়দি ইশানা ইশাগী লৈঙাকপু ফৈ হায়জবসি ইকায়বা অমা ফাওজে, হৌজিক্কী লৈঙাক অসিগী লুচিংলিবা অসিদি ইকায়বা লৈতে। মশানা মশাগী লৈঙাকপু অফব্বনি হায়না পংথাদা থাগৎচৈ। লৈঙাক অমবু ফৈ নৎত্রগা ফত্তে হায়বসিদি মীয়াম্না লেপকদবনি। মীয়ামগী মেন্দেট অদুবু হোংদোক হোংজিন তৌরবদি মীয়াম্না কৈদৌনুংদা ইকায়খুম্নরোই।

ৱাফম অসি ঙসি ১২শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী মীখলগী মাঙওইননা লিলোং এ সীদা আই এন সীগী মীরেপ ওইগদৌরিবা সয়েদ অনৱার হুসেনগীদমক লিলোং ব্লোক কোংগ্রেস কম্মিটিনা শীন্দুনা খেকমনগী মীপূনশঙদা পাঙথোকখিবা কোংগ্রেসকী নোংমগী ওইবা পোলিটিকেল কনফরেন্সদা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়, সেন্টরগী লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি লৈঙাক অসিনা লমদমসিদা বি জে পিগী লৈঙাক অমা লৈরে হায়দুনা ফংফম ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## এন পি পিগী মিনিষ্টর লেটপাও বি জে পিদা চোঙশিনখ্রে

# ঙসি জে পি নদ্দা অমুক হন্না লাক্কদৌরি

### বি জে পি লৈঙাক লৈবা মফমদা চাওখৎপগী থাক ৱাংগনি, লৈতবা মফমদা চাওখৎপা থিন্হগনি : লাল সিংহ অর্য্য



ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) : মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী ১২শুবা মীখল পাঙথোক্লগদবা মতম নকশিল্লকপগী মাঙওইননা কোংগ্রেস অমসুং এল জে পিগী য়াওনা ইনি দপেন্দেন্ট এম এল এ অমনা বি জে পিদা চোঙশিনখ্রবা মতুংদা চুংশিন্নবা লৈঙাকসিগী মরু ওইবা পার্টনর পার্টি অমা ওইরিবা নেসনল পিপলস পার্টি (এন পি পি) গী ৪১-চান্দেল এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কারক্তুনা হৌজিক য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস অমদি ৱাটর রিসোর্সেসকী মিনিষ্টর ওইরিবা লেটপাও হাওকিপসু বি জে পিদা চোঙশিনখ্রে। ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## অফস্পা মখা শাংথবগী মরম লৈতে : খাইদেম মণি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচ এন এস) : লালহৌবগী ইস্যু নোংমৈনা নমথবা য়ারোই। ঙাইহাক নমথরবসু অমুক হন্না হৌগৎলক্কনি। লালহৌবগী ইস্যু সোল্ভ তৌসি হায়রবদি পোলিটিকেল সেটলমেন্ট অমা তৌদুনা লালহৌবশিংগা নীংথিনা ৱারী শারবা মতমদতা লালহৌবগী লৈরিবা ইস্যু সোলভ তৌবা ঙমগনি হায়না মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এম ঐচ আর সী)গী এক্টিং চেয়রমেন খাইদেম মণিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি লম্ফেলপাৎতা লৈবা এম ঐচ আর সীগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা ফোঙদোকখিবনি। মীফম অদুদা মহাক্না মখা তারদুনা হায়, এম ঐচ আর সীনা চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ২দা গভর্ণমেন্টদা আর্ম ফোর্সেস স্পেসিএল পৱার এক্ট ১৯৫৮ (অফস্পা)বু মপাঙ্গল হাপলিবা দিষ্ট্রিব এরিয়া ষ্টেটস লৌথোক্তুনা মণিপুরদা অফস্পা চৎনহন্দনবা রিকম্মেন্দ তৌখি। মদুগী চপচাবা পাউখুম পীরক্তবা মরম্না দিসেম্বর ১৪দা রিমাইন্দর থাখি। মদুগী মতুংদা দিসেম্বর ২২দা দি জি পিগী মায়কৈদগী লৈমায় ২০মুক পানবা রিপোর্ট অমা পীরকখি। রিপোর্ট অদুগী মতুংইন্না চহী অসিগী জন্যুৱারি ১দগী ...মখা লামায় ৩ কলম ২

## রেপ-পোক্সোগী ৱায়েল

# মীওই ১ লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীখ্রে, ১না চহী ১৬কী ফাদোক পীখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) : ঙসি মণিপুরগী ফাষ্ট ট্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর ২ (লম্ফেল) গী জজ সী ঐচ ব্রজচান্দ অমসুং স্পেসল জজ (পোক্সো), চুড়াচান্দপুরগী জজ এন কিরটিচান্দগী কোর্টশিংনা পীখিবা তোঙান তোঙানবা ওর্দর ওন সেন্টেন্সশিংগী মতুংইন্না নুপী অমবু ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীরবা মতুংদা হাৎতোকখিবগী কেসকী ৱায়েলদা মীওই অমা মপুন্সি চূপ্পগী ফাদোক পীখিবগা লোয়ননা প্রোটেক্সন ওফ চিলদ্রেন ফ্রোম সেক্স্যুএল ওফেন্স (পোক্সো) এক্টকী মখাদা চহী ১০ খক্তা ঙাইরিবী নুপীমচা অমগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবীখিবা মীওই অমনা চহী ১৬কী ফাদোক পীখ্রে।

লম্ফেলগী ফাষ্ট ট্রেক স্পেসল কোর্ট নম্বর ২, মণিপুরনা আই পি সী সেক্সন ৩০২গী মখাদা লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীখ্রবা মীওই অদুগী মমিং তেকচম বিজরাজ এলিয়জ য়াইমা (২৬) কৌই। থৌবাল পি এসকী ...মখা লামায় ৩ কলম ৫

## মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বা খোল্লাউশিং লাউখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২৯ (ঐচএনএস) : হৌখিবা কুমজা ২০১২গী নবেম্বর ৩০দগী মীতৈ/মৈতৈবু লৈবাক অসিগী কন্সটিট্যুসনগী সেদ্যুল্ড ট্রাইবকী লিষ্টতা চলহনগদবনি হায়বগী দিমান্দ তৌদুনা লাক্লিবা সেদ্যুল্ড ট্রাইব দিমান্দ কম্মিটি, মণিপুর (এস টি দি সী এম) না মাঙজৌননা লাউথোকখিবগী মতুংইন্না ঙসি নুমিৎয়ুংবা মতুং পুঙ্খায় চৎলকপদগী নুংথিলগী পুং ১ তারকপা ফাওবদা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী কৈথেল ফন্বীশিংনা পুঙ্খায় অমগী শিন্থা লেপ্পুনা মীতৈ/মৈতৈবু এস টি লিষ্টতা চলহনগদবনি, এস টি লিষ্টতা চলহন্নবা মণিপুর লৈঙাক্না থাফম থোকপা রেকমেন্দেসনশিং থাগদবনি হায়বা দিমান্দশিং তকশিন্দুনা খোল্লাউশিং লাউখ্রে।

ঙসি খোঙজং অসি চঙশিনখিবা মফমশিংগী মনুংদা য়াওখিবশিংনা লমলোং কৈথেল, তেরা কৈথেল, শিংজমৈ কৈথেল, ক্বাকৈথেল অমসুং ৱাঙু কৈথেলনচিংবনি। ইম্ফালগী বি টি রোদতা লৈবা টেম্পররি কৈথেল অমসুং কোংবা কৈথেলনচিংবদসু খোঙজং অসি পাঙথোক্তুনা খোল্লাউশিং লাউখি। ঙসি চঙশিনখিবা ...মখা লামায় ৩ কলম ১

**No. H-1601/6/2020 - HD-HD**
**GOVERNMENT OF MANIPUR**
# HOME DEPARTMENT

## ORDERS

Imphal, the 29th December, 2021

1. Whereas, the Chairperson, State Executive Committee of the State Disaster Management Authority in exercise of the powers conferred under Section 20(2)(a) of the Disaster Management Act, 2005 had issued order dated 27.12.2021 regarding implementation and compliance of guidelines and National Directives for Covid 19 Management in view of reported increase of infection by the highly mutant Covid-19 variant B.1.1529 (OMICRON) in the country.

2. Whereas, reports regarding likelihood of people gathering in large numbers for celebratory programme has been received.

3. Now, therefore, the undersigned, in exercise of the powers conferred under Section 20(2)(a) of the Disaster Management Act, 2005 in his capacity as Chairperson, of the State Executive Committee of the State Disaster Management Authority, hereby orders restriction of the following activities :

I. **Music concerts.**
II. **Thabal Chongba.**
III. **Celebratory feasts.**
IV. **Large gathering of people in enclosed areas or indoor halls.**
V. **NIGHT CURFEW to be imposed FROM 9 PM to 4 AM, with exemption for essential services and medical emergencies.**

4. **Wearing of face masks in public places, gatherings and crowded areas is a critical Covid Appropriate Behaviour and it should be strictly enforced and violators to be penalised promptly under relevant rules.**

5. All District Magistrates shall strictly enforce the above restrictions by invoking relevant provisions of law.

6. This order is in continuation of the order of even number dated 27.12.2021 and shall remain in force till 31.01.2022.

Sd/- 29/XII/2021
**(Dr. Rajesh Kumar)**
Chief Secretary &
Chairman,
State Executive Committee
Government of Manipur

HL-B/7393/30

**PANTHOIBI HOUSING FINANCE COMPANY LIMITED (PHFCL)**
Regulated by Reserve Bank of India (RBI)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal.
/মীয়ামগীদমক নুংঙাইরবা পাউজেল

ইরমদম মণিপুর অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না ঐখোয় পুন্নমক্কী অমত্তা ঙাইরবা Indigenous Public Limited Finance Company অমা ওইখ্রবা "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)" অসি করন্থা মখলগী "Financial Institution" অমা ওইখ্রবগে হায়বসিগী মতাংদা অসুক্কী মতিক কুপশিন্না মনুং হুঞ্জিন্না ময়েক শেংনা খঙমিন্নবগী তঙাইমক ফদ্রবা তাঞ্জা মতম অদুমক ঙসিদি চপ চানা ওইরে। কম্পেনি অসি হৌখিবা 7th September, 2005 তা তৌরাংবম লৈকায়, উরিপোক, ইম্ফালদা লিংখৎচখিবনি। ঙসিদি চহী ১৭কী খোঙচৎতা লাকচখ্রে। শাংলবা চহী ১৭কী খোঙচৎ অসিদা single negative remark অমত্তা লৈজদ্রিবা অসুক্কী মতিক clean ওইরবা অমসুং promising ওইরবা Financial Institution অমনি।

১) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ইরমদম মণিপুর খক্তংগীদা নত্তনা whole Entire North Eastern Region of India গী ওইনা Reserve Bank of India (RBI) না regulate তৌবা ইহান হানবা First Licence Holder Public Limited Housing Finance Company অমনি। Ministry of Finance, Department of Financial Services, Govt. of India নসু "Securitisation and Reconstruction of Financial Assets and Enforcement of Security Interest (SARFAESI) Act, 2002 গী মখাদা "Financial Institution" অমা ওইনা শক খঙখ্রবনি।

২) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Central Government অনীগী মরক্তা National Housing Bank (NHB) না Central Nodal Agency ওইদুনা 1st time, 2nd time অমসুং 3rd times MoU শিং মথংশিংনা সাইন তৌনদুনা হৌখিবা ২০১৫গী জুন থাদা কন্ত্রি অসিগী Honourable Prime Minister Shri Narendra Modiji না launch তৌবিখিবা মীয়ামগীদমক অসুক্কী মতিক কান্নখ্রবা স্কিম অমা ওইরিবা "Pradhan Mantri Awas Yojana - Credit Linked Subsidy Scheme (PMAY-CLSS), Housing for All by 2022 Mission" গী মখাদা Rs. 2.67 Lakhs ফাওবগী ফজখ্রবা Subsidy amount অমা য়াওরবা "Subsidised Home Loan" গী খুদোংচাবশিং ইরমদম অসিগী প্রজা মীয়ামদা ফংহন্দুনা লাকচরি। Semi Pucca অমসুং Pucca গী ওইবা মশীং য়াম্লবা য়ূমশিং কয়া অমা শাজখ্রে।

৩) Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অসি ঐখোয়গী country india খক নত্তনা অতৈ অতোপ্পা country শিংদসু expansion তৌবা য়ারবা International level গী থাক্তা লাকখ্রবা solid foundation ওইরবা অসুক্কী মতিক promising ওইরবা "Public Limited Finance Company" অমনি। ঙসিদি growth কী expansion গী মতম ওইরে। মরম অদুনা ইরমদম অসিগী প্রজা সেক্সন খুদিংমক্না "Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL) অমসুং Sister Company" শিং অসিবু অমুক্না হেন্না মুন্না শক খঙমিন্নদুনা Regular Home Loan, Subsidised Home Loan, Loan Against Property (LAP), তোঙান তোঙানবা মখলগী Business Loanশিং অমসুং থমজরিবা Financial Facility খুদিংমকশিং অসি লৌমিন্নদুনা হীরম খুদিংমক্তা ৱাত্ত-পাদবা, নুংঙাই-য়াইফবা, তংদু-লৈতাবা ইরমদম ইজাতি মণিপুর অমা ওইরক্নবগীদমক হোৎনমিন্নরসি হায়বগী ৱাখল্লোন অসি থমজরি।

**Thokchom Hemo Singh**
Chairman and Managing Director, Panthoibi Housing Finance Company Limited (PHFCL)
Tourangbam Leikai, Uripok, Imphal

HL-P/7324/1 to 30 Dec.